ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯥꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯶
꯳꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জানুৱারি ০৯, ২০১৬, ইম্ফাল
৩৯শুবা চহী, ২৯৩ শুবা মশীং

[illegible]

[illegible]

[illegible]

মহারাজ গম্ভীর সিংহ

ঙসিগী মীরোললনা চপ চানা ইকায় খুম্নফম থোকই

মণিপুর মনীং-মখা তম্না মঙাল নাইনা লৈরম্বা লৈপাক অমনি। লৈপাক অসিদা নিংথৌ কয়ামরুম পানখি, অথৌবা কয়া পোকখি। লৈপাক অসিদা পানখিবা নিংথৌ খূদিংমক মীয়াম্না শরুক-শোন্নদে। অদুবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী লূচিংবনি হায়দুনা নীংশিংনহৌরগদবা নিংথৌশিংগী মরক্তা অমত্তং পনবা তারবদি মহারাজ গম্ভীর সিংহনি। কুমজা ১৭৮৮দগী ১৮৩৪ ফাওবা হিংলম্বা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী অতোপ্পা মমিংদি চীংলেন নোংদ্রেনখোম্বা কৌই। মহাক চীংথং খোম্বগী মচানুপানি। মহাক্কুম্বা লূচিংবা অমা মণিপুরীশিংনা ফংলমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়গী ইমা লৈপাক, চীংলৈপাক মণিপুর অসি লৈরম্লোই। মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অমা হিংলিবসিসু পুৱারীগী ৱারী লীখুলদা লৈহৌবা নত্তনা খোঙ্গুল মুৎলম্লগদবনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা নাগা, কুকি অমদি অতৈ ফুরুপশিংনা মখোয় মখোয়গী লমনি হায়না মুন্নবদা নত্তনা তোখায়বা লৈঙাক সাসন লৈহনগদবনি হায়রিবা মফম অসি বর্মাদা মচেৎ অমা, ইন্দিয়াদা মচেৎ অমা তিনখিদুনা মফম-মরাং খঙদবা মঙংদা লৈরমগদবনি। ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তম, ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা লমখৈ, ঐখোয়গী ফুরুপ লৈরম্লিবসি মহাক্কুম্বা লূচিংবা অমা ফংজবদগীনি হায়বসিদং খঙলগা ঙসিগী মীরোলনা লূচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নফম থোক্লবনি। লাইগী মশক ওইরবা লূচিংবা অসি লৈখিদবা নুমিৎ ঙসিনি। নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না ঙমজবা খরদং কৎপা হায়বসি তৌফদ্রবা থৌদাং অমনি। মসিমক্না মরম ওইরগা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু ছুটি থাদুনা মীপুম খূদিংমক্তা লূচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন য়ৌহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। লৈখিদ্রবা লূচিংবা অসিনা তৌরম্বা শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিংগী মনুংদা খরদং পনবা তারবদি বর্মানা মণিপুর লৌশিনখ্রবা তুংদা চহী ৭ চুপ্না লৈপাক অসিদা লৈরিবা ফুরুপশিং মুখৎনবা হোৎনরকখি। লাঞ্জেন্নবা ঙমহৌদ্রবা নৎত্রগা লানফা ওইখ্রবা মৈতৈশিং অৱা (বর্মা)না ফারগা মীনাই ওইহন্নবা মখোয়গী লৈপাক্তা হোইরগা পুখি। নুপা য়াওদ্রবা নুপীশিং মতমদুদা অৱানা করম্না তৌরমগদগে হায়বা ৱাখলনা শাগৎপদা নুংনাংবা পোকই। নুপা-নুপী পূম্নমক অৱাগী মীওৎ-মীনৈ কিবদগী চীংনুং-মানুংদা লাঞ্জেন্নখি। মরৈবাক থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবা মরম্না মণিপুরগী তম্পাক লমদা মৈতৈ অমফাওবা মঙক হাইগৎনা হিংবা ঙমখিদে। শম্না হায়রবদা খোঙ্গুল মুৎকদবগী মতম ঙাইদুনা লৈখি। মচোয়-মচোয় লাঞ্জেন্নখ্রবা মৈতৈশিংবু গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিংহ মচিন-মনাও অনীনা চোইখোম খোল্লগা কছার তম্পাক্তা মণিপুর লেভি লিংখৎখি। মতমদুদা শুপ্নতগী মীওই ৫০০খক খোম্নবা হোৎনবদা মচিন-মনাও অনীনা কয়া য়াম্না ৱারমগদগে হায়বা মীয়াম্না খন্থবদা থোইনা ৱাগনি নীংদে। য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা মণিপুর লেভি লিংখত্তুনা বৃটিশকী মতেঙ লৌরগা মণিপুরদা লান্দারকখি। চহী ৭ চুপ্পা ওৎ-নৈদুনা লৈরকখিবা অৱাশিংবু মহারাজ গম্ভীর সিংহগী লিচিং মখাদা নীংথি তুরেলগী তোর্ব্বান ৱাংমা ফাওবা তান্থোক্তুনা অনৌবা মণিপুর শেমখি। মহাক্কী মতমদা থোকখিবা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা থৌদোক অমা হায়বা তারবদি বৃটিশনা ময়াইদা লেপশিন্নরগা বর্মাগী মীচং চঙদুনা মণিপুরগী লমখৈগী শরুক অমা ওইরম্বা কবো তম্পাক মণিপুরীশিংগী মথানুংদগী শেৎনবগী লৈই চিংখি। ট্রিটি ওফ য়ান্দাবো শোয় তৌনররগা থম্মোয় শোক্লা হল্লকপগা মহাক্না লংথবালদা শেমগৎখিবা কোনুংদা লৈখিদে। মশাগী ওইজবা হায়বা ৱাখল মচেৎ অমত্তা পোকখিদ্রবা, মৈতৈ খুন্নাইগীদমক্তা মপূন্সি কৎখিবা, মীয়ামগী য়াইফগনি হায়রবদি নিংথৌ খুবম ফাওবা মীহৌখিদবা অসিগুম্বা লূচিংবা অমা লমদম অসিদা পোক্লম্ব্রা হায়বসি মশাগী ওইজবদা খনবা ঙসিগী আইন শেম্বশিংনা শোয়দনা খল্লমগনি। আইন শেম্বশিংনা গম্ভীর সিংহগী ৱাখল্লোন অমদি মহাক্কী লৈপাক নীংবা মতৌ লৌবা ঙম্লক্লবা মতমদা মণিপুর করিগীদমক চাউখৎলবা মফম অমা ওইবা ঙম্লোইদৌরিবনো? কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা করিগীদমক থরুম তৌনগদৌরিবনো? লূচিংবা অমদা চেনফম থোকপা মতিক ময়ায় চেন্দ্রবদি লৈপাক অদু কাং-খোং চাইরকপা হায়বসি হৌনশা ওইবনা ঙসি মণিপুরী খুন্নাইনা দেমোক্রেসিগী মরুমদা মীওৎ-মীনৈ খাংলগা লৈরিবসিনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ঙসিগী মীরোলনা লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিগী মফমদা লৈ মনা অমত্তং কৎপা অমদি মহাক্কী ৱাখল্লোন অমসুং মহাক্না মণিপুরী খুন্নাইগীদমক তৌরম্বা থবকশিং হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা খঙহল্লবদি নোংমদি মণিপুরসু মমান্নবা ষ্টেটশিংদগী হেন্না চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইরক্কনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মহারাজ গম্ভীর সিংহগুম্বা তাঙলবা মীশক অসিগী মতিক ময়ায়শিং ৱারী লীদুনা অপুনবা মণিপুর, চাউখৎপা ষ্টেট, ঐখোয়গী ঙমখৈ ঙাকপা ঙম্বা লূচিংবা থোরক্কবগী ৱাখল্লোন পীবা মথৌ তাই হায়জনিংই।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

মফম চাদনা খাম্বা গাড়িমচাশিং ইন্থুরগা থম্বা

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরগী কোনুং ওইরিবা ইম্ফালগী ময়োলদা লৈরিবা কৈথেল অনী পাউনা কৈথেল অমসুং থাঙ্গাল কৈথেল অনী অসিদা চৎনরিবা ট্রাফিক্কী সিষ্টেম অসি ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা তৌদুনা লাক্লি। মরমসিনা কৈথেলশিং অসিদা লাকপা অমদি কৈথেলশিং অসি ফাওদুনা চৎপা মীওইশিংদসু ইতৎ তৎতনা অয়েৎ-অপন পীদুনতা লাক্লি। মসি অফবা খুদম অমা নত্তে। গুদ গভনার্সকী খুদম নত্তে।

সিষ্টেম অমা হৌদোকপা মতমদা মদুগী লুপহোল পূম্নমক হান্না তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নগদবনি। 'সি তৌরগদি ফগদৌ মাল্লি' হায়বা ৱাখলনদি তুং কোইবা য়ারোই হায়না খল্লি। হৌজিক অনৌবা সিষ্টেম অমা গাড়ি পার্কিং নত্তবা মফমশিংদা ওইনা কৈথেল মনুংশিংদা গাড়ি মচা/ অচৌবা অমত্তা খাম্বা য়াহনদ্রে। হোই চুম্মী, গাড়ি হায়বসি পার্কিংদা খামগদবনি। মফম চাদনা খাম্বা গাড়িশিং অদুগী মপুশিং অদু আইনগী মতুং-ইন্না চৈরাক পীবা য়াই। মসি অমত্তা তৌদবীদা মফম চাদনা খাল্লম্বা গাড়ি মচাশিংবু ইন্থুরগা থম্বা হায়বসি লৈবাক মচা তাবা থৌওং থৌশিল নত্তে।

মপান লমদদি অসুম্না লান্না মফম চাদনা খাম্বগীদমক্তা গাড়ি অদু ফারগা পুরগা পুলিস ষ্টেসন্দদা ফাজিন্দুনা থম্লগা লুপা ৫০০দগী তাদনা ফাইন থীহল্লি। মসিনা পুলিস দিপার্টমেন্টদা অচৌবা ইনকম কাহন্নবা লম্বী অমসু ওই। অসুম্না মণিপুরদা তৌদ্রিবসিগী মরম্না করিগীনো? ইনকম কাহনবা পামদবগীরা নৎত্রগা ফাগৎকদবা গাড়িশিংদু থম্ফম লৈতবগীরা হায়বসিমদি খঙজদ্রে। অদুগা অরোইবদা হায়জনিংবদি, মফম চাদনা খাল্লগা থম্লম্বা গাড়ি ইন্থুবনা লৈঙাক্লা পাল্লিবা পান্দম অদুসু ফংবা ঙম্লোই। লৈঙাক্লা হীরমসিগী মতাংদা হান্না পাক-শন্না খঙহনবা অমা চংই অমসুং অকনবা চৈরাকসু পীবা চংই।

অদোমগী, ***এস. উমেস,*** *কৈশাম্পাৎ*

হায়নবা লৈঃ

মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদে

য়ুহাসু মীচং-মীখায় নাইমাল্লে



ৱাইরু ৱাইরুবদা

হোঙবা

নহান নোংমদি ইংখ্রবা নিংথমথাগী অয়ূক ফমুংদগী হৌগৎনীংদবা মতম অদু নিংথমথাগকা পূমকাউ কাউখি। খোঙউপ তোংদনা ফুরিৎফাওবা লীৎপা নংদনা শূমাং তান্না চেন্থোরকখি। থৱায় হিংল লোইরে খনখি। ইচা ইশু, নুপী অঙাংফাওবা মপান্দা চেন্থোরকউ হায়বা নংদে। মেগ্নিচুট ৬.৮কী চাংদা য়াম কন্না য়ুহার হাখি। মেগ্নিচুট ৬.৮ হায়বদি মখোয় অখঙ-অহৈনা হায়জবনি। ঐখোয়গীদি য়াম কন্না য়ুহা হাখি হায়রিবা অসিনা পূম্লোই লোইজরে। থৱায় অসি য়াম্না পীকখি, অরোইবা পূংফম অদু শি ওইরে হায়বদু খঙখি। তাইঙ মীনা অরোইবা পূংফমদা করি খনবগে হায়বদু ননাই ঐহাক্তি নহান খঞ্জখ্রে। অসুম্ঝাইনা ৱাখল খল্লক্তবা কুইরে নুমিদাং নোংমৈ কাপ্নবা কল্লিঙৈ মতম অদুদা নোংমৈ কাপ্নবা লোইখ্রগা শিফাইনা মী কোন্না ফাবা ফুবা হংবা লাক্কনি হায়না থরক হুনগৎখিবা মতম অদুদগী হন্দক্লা হেনকি। খঙদে য়ুহা হাবা হায়বসিদা শিদ শিরেদৌ হেক্তা মানখি।

হন্দক্কী য়ুহা অদু অসুক্কী মতীক কনখ্রে। মদুদি, লৈঙাক্লা শাবা হোস্পিটাল, বিল্ডিং, কৈথেলশঙ, মহৈলোয়শঙনচিংবা খল্ল-খল্লগা নীংখায়হনখি। অদুক কনখ্রবা য়ুহা অদুনা লন্নাই য়ূম নূং লৈঙোই ফজনা চাল্লগা শাবা, বিলামটিগা লৈঙোইগা চাং চানা হাপ্পা মখৈদি ইনবা ইঙম ঙমখিদে। য়ুহা অসিবু হন্দক্তি মীচং মীখায় য়াম্না নাইখি। লন্নাই লন্নাইগী মখৈ খাক্লম্লগা লৈঙাক্কী মখৈ খল্ল-খল্লগা থুগাইরম্বা, থুদেক্লম্বা অসি অঙকপা মখলগী মীচঙ-মীখায় অমা নৎত্রো?

পায়রু-পায়রুবদা ফক্লাং জ্বাই-জ্বাই লাউনা কীন্থবা অনৌ-অনৌবা বিল্ডিং ময়ামগী মপাঙ্গল চাং য়েংলক্লিবা ওইরিদ্রা? মীয়াম প্রজানদি লম্বী ফজনা শেম্মী, ফজনা শেমদে হায়রুবা য়াপোৎ নত্তে। অদুনা মীনা ঙাঙনবা ঙম্মোইদবা অকনবা য়ুহা অমা তাইবঙ শেম্বা মপুনা থাদোক্তুনা ৱায়েল্লুরো হায়দুনা লাকখিবরা? চিংনদবা ঙমদে। ঐখোয় শ্বাইদা তৌরিবা ময়াম অসি লাই মাদি আ নোংথক্তা ফমদুনা লৈরগা শূৎ নান্না অমত্তা খাক্তমখৈ উরিবনিদো। অদুনা লাই মানা মপূক নারক্তুনা তমেংলোংগী কবুই খুলেন্দা ইপি সেন্টর (য়ুহা মরু) ওইহল্লগা হৈ নীকথহল্লকপা ওইরমদৌবা মানশল্লক্লে।

য়ুহাদি অমুক্কসু হারক্কনি হায়রি। হন্দক্তি মেগ্নিচুট ৮ য়ৌনি হায়না অখঙ-অহৈনা ফোঙদোক্লম্লে হায়রি। অসিদা অমুক্কা য়েংবা তারি। হন্দক লাক্কনি হায়রল্লিবা য়ুহা অসিনা মতোইনা প্রপ-প্রপ থোক্লবদি ফনয়াম্নদি লৈতেম মান্নদৌবা মাল্লি। পনবমক্তি পন্নীংদ্রে, হৌজিক মখা তানা য়ুহাদি লায়রদনা নুংশিং খিত্তং কন্না শিৎলকপদা তুমখিদ্রা হায়না পাখৎপীবা কয়া অমসু লৈরি। লৈঙাক্কীনি হায়বা পোৎ অসিদবু ঐখোয় শ্বাইদদি অঙাংগী স্কুলগী ফানবু ওইরো টেবলবু ওইরো ফেরে, ফেরে অদুম হেক্তা লাউরি। নীনি হুম্নিদং ফম্বদা ফেরে ফেরে লাউরক্তুনা অঙাং নীংগোং চপ্পা ওজাগী ফি শেগায়বা চৌকি কয়ানি। লৈঙাক্লবু হেক তৌরবদি লম্বীসু অদু মঙাইরে, দামসু অদু মঙাইরে, থোংসু অদু মঙাইরে কৈনোম হেক্তা মতৌই।

য়ুহা হাবা অসিমক্তবু লৈঙাক্লা হাহনগে হাহল্লোই হায়না ঙম্বা অমদি নত্তে। অদুবু নূং লৈঙোই চামহনবা, বিলাটিমটি চাং য়ামহনবা ৱাৎহনবা অসিমদি লৈঙাক্লা হায়ফেৎ ঙম্বনি। য়ুহা অমগী মতুংদা লৈবাক মীয়াম্না অমুক লৈঙাক অসি নোমদুনা য়ুহা হাহল্লক্কদৌরিব্রা? অদুক সুম খঞ্জবগী ৱানিমা।

তাইবং মীগী লুহোংবদা কুন্দো লৈরাং শীজিন্নখিবগী ৱারী

ফুঙ্গা ৱারী

থোকচোম থৌয়াঙবা

থায়না মমাংঙৈদা চীংঙু শোৱারেন কৌবা খোইয়ুম লাই অমা চীংঙু লাইময়ামশিংগী নিংথৌ ওইদুনা কৌব্রু চীংগী চীংদোন্দা কোনুং ওইদুনা পাল্লম্মী। চীংঙু শোৱারেন সিদবগী নোংমোইনু অহোঙবী কৌবী মশক মতৌ ফজখ্রবী মমোম মচা নুপী অমা লৈরম্মী। চীংঙু শোৱারেনগী মচানুপী অসি খোইয়ুম লাই পাখং খুদিংমক্লা মাগী মাগী তালোই ওইনিংলম্মী। খোইয়ুম লাই পাখংশিং অসিগী পলেম পন্থৌ পূম্নমক্কসু নোংমোইনুবু মখোয় মখোয়গী মমৌ ওইনিংলম্মী।

নোংমদি খোইয়ুম লাইরেম্বা লাইরেম্বী পূম্নমক অসিনা মাগী মাগী মপারি লাই পাখংশিং অসি পুরে হায়রগা চীংঙু শোৱারেনগী মফমদা লাকখি। অদুগা শোৱারেনগী মফমদা মহাক্কী মচানুপী নোংমোইনু অহোংবীবু মখোয় মখোয়গী মচা লাই পাখঙশিং অদুদা থাজবিরো। মখোয় মখোয়গী মমৌ ওইজরগে হায়জখি।

অসুম্না খোইয়ুম লাইয়াম অমা লাক্তুনা শোৱারেনগী কোনুং অসিদা পুল্লাং লাংনরিঙৈ অসিদা চীংঙু শোৱারেনগী তোংনবা চীংঙু মহাক্কী শগোল য়াইসা অনীখক নান্থোরক্লগা চেল্লক্তুনা কংলাগী অৱাং থংবা মায়কৈদা লৈরিবা চাওখোং, হিদেন্দা শজিক হানৌ চাদুনা লৈরম্মী। শগোল য়াইসা অনীনা চীংঙু শোৱারেনগী কোনুংদগী নান্থোক্তুনা থোকখিবসে খোইয়ুম লাই অমত্তা খঙহৌদরে। অসুম্না শগোল য়াইসা অনীনা শজিক হানৌ চাদুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা চীংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবা অমদি লৈমরেনগী লাইস্না অনীনা পোক্লম্বা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা থুপ্লমদাইদা য়াম্না নৌনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ হাপ্পল্লবা খুইয়োই তোম্পোক কৌবা নিংথৌ পাখঙ অমনা মহাক্কী মদাইরেম অঙম্বা অনীগা লোয়ননা অৱাং চাওখোং হিদেনলোমদা অসুম অসুম কোইথোরকপদা চীংঙু শোৱারেনগী শগোল য়াইসা অনী অসি উবদা খুয়োই তোম্পোক্লা মদাইরেম অনী অদুগী মফমদা হায়রকই, 'ইদাইরেমশা অৱাং চাওখোং হিদেন অসিদা শজিক চাদুনা লৈরিবা শগোল মালিক খা অনীসি অমুক্তা ফাশি।' মসিদগী মখোয় অহুম্না শগোল অনী অদু ফাননবা হোৎনরম্মী। শগোল অনী অদুসু মখোয়বু ফাননবা থৌরাংলকপা অদুদা নান্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনরম্মী। অদুবু খুইয়োই তোম্পোক অমদি মদাইরেম অনীনা য়াম্না খোংলৈ থুনা চেনশিন্দুনা শগোল অনী অদু নান্থোক্তুনা চেনখিদনবা কন্না হোৎনদুনা শগোল অনী অদু ফারম্মী। শগোল অনী অদু মখোয় অহুম্না ফারে হায়রগা লৈ পান্বী অদুনা থৌরি ওইদুনা শগোল অদুবু পুনখি। লৈ পান্বী অদুনা থৌরি ওইদুনা শগোল অদুবু পুল্লী হায়বগীদমক লৈ অদুগী মমিংবু পুল্লে হায়না কৌখি। অসুম্না মখোয় অহুম্না শগোল অদু ফারবা মতুংদা খুইয়োই তোম্পোক্লা মদাইরেম অমবু মহাক্কী শগোলগী য়াচল অমদি শগোলগী থৌরি লৌরুনবা কোনুংদা থাখি। মনাই অদুনা য়াম্না থুনা শগোলগী য়াচল অমদি শগোল থৌরি লৌরুদুনা খুইয়োই তোম্পোক্তা পীররে। খুইয়োই তোম্পোক অমদি মদাইরেমশিং অদুনা শোৱারেনগী শগোল অনী অদু য়াচল লাকশিল্লে অমসুং শগোলগী শাবল হাপচিল্লে। খুইয়োই তোম্পোক্লা মদাইরেম অনীগী মফমদা হায়রকই, 'ইদাইরেমশা শগোল অমনা ঐ থৌরগে শগোল অমনা ইদাইরেম অনীনা থৌরো শগোল অনী অসি কদাই ফাওবা চৎপগে য়েংসি' হায়রে। খুইয়োই তোম্পোক্কী য়াথং মতুং ইন্না মদাইরেম অনীনা শগোল অমদা তোংদুনা থৌরে অদুগা খুইয়োই তোম্পোক্লা শগোল অমা থৌরে হায়রগা শগোল অসিনা চৎনিঙবা মফমদা মনিং তম্না চৎহল্লে। শগোল অনী অসিনসু খুইয়োই তোম্পোক অমদি মদাইরেম অনী অসিবু মখোয়গী ময়াংলেন্দা তোংহল্লে হায়রগা নুংশিৎকী মমাঙ থাদুনা য়াম্না য়াঙনা চেন্দুনা মখোয়গী লৈফম অৱাং কৌব্রুগী চীংদোন চীংঙুশোৱারেনগী কোনুং তান্না চেল্লকক্লে। মখোয় অহুম্না শগোল অনী অসি থৌদুনা অসুম অসুম লাকপনা ঙাইহাক্কী মতুংদা চীংঙু শোৱারেনগী কোনুং য়ৌরে। কোনুংগী থোংঙাকপা মনাইশিংনা খুইয়োই তোম্পোক অমদি মদাইরেম অনীবু চঙহন্দনা খামদুনা থম্লগা থোংঙাকপা অমা চীংঙু শোৱারেনগী মনাক্তা চঙখ্রে অদুগা চীংঙু শোৱারেনগী মফমদা হায়খি, 'চীংঙু ইবুংঙো লাইনিংথৌ চীংঙু নহাক নত্তনা খোইয়ুম কনানা তোংফদ্রবা ইবুংঙোগী সাদোং শগোল য়াইসা অনীবু নমুতাইবং শমু মীকোক অহুম্না ফারগা তোংদুনা কোনুংগী সনথোঙদা থৌজিল্লকই। নদাইরেম থোংঙাকপা ঐখোয়না নমু তাইবং অহুম অদুবু থীংদুনা খাল্লগা থমহৌরি চীংঙুনা ৱায়েন চৈরাক পীবীগনিদো লাইনিংথৌ।' মনাইগী য়ৱা তারগা চীংঙু শোৱারেন্না য়াম্না শাউনা হায়খি, 'অচা চা লাকচৈদা চীংঙু ঐগী খোংনেৎশা শগোল য়াইসা অনীবু খোইয়ুম লাইসু নত্তবা নমু তাইবংনা ফারগা তোংলবা। নমু তাইবং কনাগী মচানো শোৱারেন ঐগী ইফমদা থুনা য়াংনা পুশিল্লকউ' হায়খি।

শোৱারেনগী ৱাহৈ অসি তারগা মনাই থোংঙাকপা থুনা য়াংনা সনথোঙদা থোল্লক্তুনা খুইয়োই তোমপোক অমদি মদাইরেম অনীবু শোৱারেনগী মনাক্তা পুশিল্লকই। খুইয়োই তোম্পোক অমদি মদাইরেম অনীনা চীংঙু শোৱারেনবু উবদা খুত খুদক কুপ্লুনা খুরুম্মী অদুগা হৌগংদুনা মরু লুক্তা লেপ্পুনা লৈরম্মী। মতম অসিদা চীংঙু শোৱারেননা হায়রকই, 'চীংঙু ঐগী য়াইসা শগোল মালিকখা অনীসি অখক নখোয়না ফাদুনা তোংলক্লিবা অসি মফম কদাইদগী ফারকপননো! নমিংনা করি করি কৌই। নখোয়বু পোকপা পলেম পন্থৌগী মিংনা করি করি কৌই' হংলম্মী। মতম অদুদা খুইয়োই তোম্পোক্লা খূৎফাং চাংজৌ তরা লোন্নজরগা খুমজখি, 'চীংঙু খোইয়ুম লাইনিংথৌ য়োল্লবা কাদা ঙাকপীয়ু লাল্লবা কাদা কনবিয়ু নমু তাইবং মপোক্তা পোক্লম্বা তোল্লবা ননাই ঐখোয়না চীংঙুগী খোংনেৎ য়াইসা শগোল অনী ফাদুনা তোংবা ইতিক নৎচদে। ননাই ঐহাকসি মৈতৈ পোইরৈ লমদমদা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্বা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবা অমদি ইমা লাইস্না অনীনা থল্লম্বা মপারীনি। ইমিংনা খুইয়োই তোম্পোক হায়না কৌজে, পলেম পন্থৌ অনীমক লৈখিদ্রবনা তাইবং নচা ঐহাক্লা মৈতৈ পোইরৈ লমদমগী কংলৈ পীবারেল ওইদুনা নিংথৌ ওইনা পানজরি। ঙসি কোরৌ নোংজাদা তোল্লবা নচা ঐহাক্লা ইদাইরেম অনীগা লোয়ননা মালঙ ইচিক থেল্লুসি ৱাংলেন ঙহাক পোথারুসি হায়দুনা কংলাগী অৱাং চাওখোং হিদেল্লোমদা খোংশাল্লকপদা শগোল মালিকখা অনীসি শজিক হানৌ চাদুনা লৈরম্মী। শগোল অনী অসি উবদা নদাইরেম ঐখোয়গী থম্মোয়দা শগোল অনী অসিবু তোংনিংবনা পাইমা পূক্লিং লাংতক্লে। নদাইরেম ঐখোয়না চীংঙুগী শগোলনি খঙজরুদবনা শগোল অসিবু ফাদুনা য়াচল লাক্লে হায়রগা তোংজরুবনি লাইনিংথৌ।' অসি হায়দুনা পাউখুমজরক্লে। অমকপা য়াওদ্রবা খুইয়োই তোম্পোক্কী ৱাহৈ তারগা চীংঙু নিংথৌ শোৱারেন্না চীংঙু মহাক্কী শগোলদু তোংদুনা লাক্লিবা নমু তাইবং মখোয় অহুমসি মরাল লৈত্রে খন্দুনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী চৈরাক চৈথেং পীখিদ্রে। অদুগীসু মথক্তা নোংদা লাইরেন পাখঙবা অমদি লাইস্না অনীগী মচানি হায়বদুনা হেন্নদুম নুংশিনা লুনা চান্না তৌবীরে।

ঙাইহাক্কী মতুংদা চীংঙু নোংথৌ শোৱারেন্না হায়রকই, 'ইপাগী ইবুংঙো খুইয়োই তোম্পোক ঙসি ইপাগী ইরানয়াইদা চীংঙু লাই পাখঙ ময়াম অমা লাক্তুনা ইপাগী ইমোম নোংমোইনু অহোংবীবু মহাক মহাক্কী তাল্লোই ওইজনবা পীনবিরো হায়না নীররি। ইপানা লাইপাখঙ ময়ামসি শাম্বা পাঙ্গল চাং য়েংনরগা খ্বাইদগী কনবা তম্বা অদুদা ইমোম নোংমোইনু অহোংবীবু ইপানা থাজরগে খল্লি। নঙসু থৌরম অসি য়েংলখো য়াওরখো' হায়দুনা হায়বীখি। খুইয়োই তোম্পোক্লা, 'ফগনি ইপাইবুংঙো' হায়দুনা খুরুমজৈ।

চীংঙু নোংথৌ শোৱারেন মপারি খুইয়োই তোম্পোকপু পুরদুনা খোইয়ুম লাই নুপা নুপী ময়াম্না চোন্না ঙ্রুং ঙ্রুং তিন্দুনা লৈরিবা মফম অদুদা চঙলকই। খোইয়ুম লাইরেম্বী ময়ামগী মরক্তা নোংমোইনু অহোংবীসু মতাশিংগা লোয়ননা য়াওরি। পন্থৌ মপানা পুদুনা লাক্লিবা নমু তাইবংমী খুইয়োই তোম্পোকপু উরুবদা নোংমোইনু অহোংবী ইখঙ খঙহৌদনা মখোঙদগী মকোক ফাওবা তু খ্যাও লাওনা চুংখি। মপূক্লিংদা খুয়োই তোম্পোকপু নুংশিবা ফাওখি। করিসু তৌরুদনা ফাথবা ঙমদবা মখৈ থম্মোয়দা মিথুন তিং তিং চোংখৎলকখি। নোংমোইনু অহোংবী খুইয়োই তোম্পোক্কী তালোই ওইজগে লেপচখি। মতাং অসিদা চীংঙু নিংথৌ শোৱারেন খুয়োই তোম্পোকপু মফম চানা ফমহল্লগা খোইয়ুম লাইয়ামশিংগী মমাঙদা থোরক্তুনা চীংগোই মপাউ লাওরকই, 'খোইয়ুম লাইয়াম্না শোৱারেন ঐহাক্কা চীংঙুগী মতিক ময়াই লৈরবা হুন্নবা নুংবী নুংলেন অমবু লাৎলগা থম্লিদো অসিগুম্বা নুংলেনসে খোইয়ুম লাইয়াম নখোয়না হুন্দুনা পাঙ্গল চাংয়েংনরো খ্বাইদগী শাননা হুনবা ঙম্বা, খ্বাইদগী কনবা তম্বা অদুদা ইমোম লাংলেন নোংমোইনুবু থাজরগে নিংলেদো। খোইয়ুম নখোয়না করি হায়নিংবা' হায়না লাউরকখি। খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা শোৱারেনগী মপাউ তারগা, 'চীংঙু ইবুংঙো লাইনিংথৌ চীংঙুনা তাকপীবা নয়াথং নদাইরেম ঐখোয় য়াজরে' হায়না খুমখি। খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা য়ারবনিনা শোৱারেন্না চীংঙুগী মতীক লৈরবা হুন্নবা চাওরবা নুংবী নুংলেন অদুবু পুথোরক্লে।

চীংঙু শোৱারেন্না পুথোরক্লিবা লুম্নবা নুংবী নুংলেন অদু খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা অমগী মথংদা অমা অমগী মথংদা অমা নুংলেন অদুবু লংঙি। খোইয়ুম কনানা শান্না লংবা য়াওই, খোইয়ুম কনানা ইশান শান্দনা লংঙি। অসুম্না নুং অসিবু খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা লংনরিঙৈদা নোংমোইনু অহোংবীনা শিংঙেল ওইনম্বা লৈ হায়না কৌবা লৈরাংনা পোল্লকপা মতমদগী ইঙৌ ঙৌনা পোম্লক্লগা শিংঙেলনা লৈশাৎ তমজবা মতমদসু শিংঙেল লৈশক লৈচু ওন্দনা ইঙৌ ঙৌনা শাৎচবী লৈরাংনা লৈখোক লোইদুনা কেনজবদসু লৈচু হোংদনা ইঙৌ ঙৌনা কেনজবী লৈ হৌজিক্না কুন্দো হায়রগা খঙনরিবা লৈ অসিবু হেক্লু রগা শিংঙেল লৈনা অমনা য়োমদুনা খোইনৌ মতা চান্নবী অমদা লৈরাং অদুবু খুইয়োই তোম্পোক্কী মফমদা অমুক্তা পীবিরু হায়দুনা থিলহনখি। অদুগা ৱাহৈ অসিসু হায়রম্মু তাকপীখি, 'শিংঙেল ওইনম্বা লৈ অসিনা অমকপা অমত্তা য়াওদনা শিংঙেলনা লৈশাৎ তম্বগুম নোংমোইনু কৌবী লাইরেম্বীসে অমকপা অমত্তা লৈজদে নুরা নহাক্কী পুন্সিসে পাখঙ নঙোন দা কৎলবনি হায়দুনা হায়রম্মু' তাকপীখি। নোংমোইনুগী মতা অদুনা নোংমোইনুগী য়াথং অদুবু ইল্লদুনা শিংঙেল ওইনম্বা লৈ অদুবু পুরদুনা খুইয়োই তোম্পোক্কী মফমদা পীরুই। মতা নোংমোইনুনা হায়রকপা ৱাহৈ অদুসু খুয়োই তোম্পোক্কী মফমদা হায়রম্মী। খুয়োই তোম্পোক্সু নোংমাইনুগী মতানা পুরক্লিবা লৈরাং অদুবু হরাও হরাও লৌহৌই।

অসিগুম্বা নোংমোইনু অহোংবীনা খোইনৌ মতা অমদা শিংঙেল ওইনম্বা লৈ কুন্দো অসিবু খুইয়োই তোম্পোক্কী মফমদা থিলহনখিবা অসিদগী লৌরগা ঙসি ঙসি ফাওবদা লুহোংগদৌরবা পিবা-পাখং অমগী মফমদা লুহোংগদৌরিবী নুপী চনু নিংঙোল অদুগী ময়ুমদগী কন্নাগুম্বা মদু নিংথৌ মৌপ্পা অমদা লুহোংদ্রিঙৈগী মমাঙদা শিংঙেল কুন্দো লৈরাংবু থিলহনবা চৎনরকখি। মসিবু হৌজিক্কী মতমদা বোর বাতন তৌবা হায়রগা খঙনরিকো ইশুশা।

খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা নুংলেন অদুবু লংনবা লোইরক্লবদা চীংঙু নোংথৌ শোৱারেন্না খুইয়োই তোম্পোক্কী মফমদা হায়রকই, 'ইপাগী খুইয়োই নহাকসু নুংলেন অসি অমুক্তা লংঙদনা।' চীংঙু নোংথৌ শোৱারেনগী ৱা তারগা খুইয়োই তোম্পোক্লা হায়রকই, 'ইপা ইবুংঙো খোইয়ুম লাইয়াম্না লংবা ফাওবা ৱারবা নুংলেন অসিবু নমু তাইবং মপোক্তা পোল্লকবা তাইবং মী ঐহাক্লা কদাইদগী হুনবা ঙম্লগদবনো' হায়না খুমখি। খুয়োই তোম্পোক্কী ৱা তাবদা নোংমোইনু অহোংবী খুইয়োই তোম্পোক নুং লংলরোইদরা হায়না মথ্বায় ৱাজখি। খুইয়োই প্রপ প্রপ হেক চঙশিল্লক্তুনা নুং অদুবু য়াম্না শান্না লংহন্নিংলম্মী। মরক অসিদা খুইয়োই তোম্পোক নুংবী নুংলেন অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লকই। নুংলেন অদুবু মরাইবক অহুন্নক কৎতুনা থাংগৎলকই নং অদু মহাক্কী মরেংবান য়ৌননবা হোৎনবদা মশা থক থক নিকই, হুমাংনা লোক্লি হৌবমখৈ চেল্লি। উচিন-নাচিন্না নূং অদু মরেংবান য়ৌরে। নুংলেন অদু হুন্নবা শেম শাবা হৌরকপদা নুংলেন অদুনা লুম্নবনা মখোঙ খোঙফম চানা লেপ্পা ঙমদ্রুনা তুশিনগে তৌই। খোইয়ুম লাইয়াম্না খুয়োইদা য়েংলগা ৱা লাওনা নোকশিল্লি। করেম কথাইনবা ৱাহৈনসু লাওশিনবা য়াওরকই, 'হে নমু তাইবং মী খোইয়ুম লাই ঐখোয়না ফাও লংবা ৱারবা নুংলেন অদুবু নমু তাইবং মী নঙনা কমদৌনা হুনগদৌরিবনো হা?' খোইয়ুম লাইয়ামশিংগী মীনোক মীচৈ অদু তারগা খুইয়োই তোম্পোক মাবু পোকপা পলেম পন্থৌ অনীবু নীংশিংলকই। মমাই কোরৌ নোংথৌদা ওন্দুনা মমা মপাবু কৌদুনা নুংলেন অসিবু লাইয়ামশিংনা লংনরিবা অসিদগী হেন্না শান্না লংবা ঙম্বা থৌনা হাপ্পীয়ু হায়না নীরকই, 'হে ইপা ইবুংঙো নোংদা লাইরেন পাখঙবা লৈসনা কৌবী পলেম ইমা ইবেম্মা। কোরৌ নোংদোন্না ৱাংবরা পন্থৌ ইপাসু মৱাংঙি, মালেম লৈমনা লুম্বরা পলেম ইমাসু মরুম্মী। পলেম পন্থৌ অনীনা পোকপীরম্বা অশেংবা নচামক্তঃ ওইরবদি ঙসি নচানা খোইয়ুম লাইয়ামশিংগী মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুমগদৌবা পলেম পন্থৌ অনীগী কোলোই মিংলেন মালেম লৈখাদা তাগদবদগী কনবীদুনা নচা ঐগী ইফমদা ইপাগী থৌনা পীবিদুনা ইমাগী থৌনা হাপ্পীদুনা ঙসি নচানা লংজগদৌরিবা নুংবী নুংলেন অসি খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা লংনরিবা অসিদগী হেন্না শান্না লংজবা ঙম্বা পীনবিয়ুকো' হায়না পলেম পন্থৌ অনীবু খুরুমজরগা নুংলেন অদু লংগদবদগী শেম শারক্লে।

নাকল অমরোমদনা কমদৌরি চীংঙু শোৱারেনগী মমোম ইবেম্মা নোংমোইনু অহোংবীনা খুইয়োই তোম্পোক্লা নুং অদু খোইয়ুম লাইয়াম্না লংনরিবা অদুদগী হেন্না শান্না লংবা ঙমজনবগী তেংবানবা মপুগী মফমদা থৌনিজরকই, 'চীংঙু খোইয়ুম লাইনিংথৌ নপারি নচা খুয়োই তোম্পোক্লা ইপা শোৱারেন্না পুথোরক্লিবা চীংঙু নহাক্কী নতীক লৈরবা নুংবী নুংলেন অসিদগী চীংঙু নহাক্কী নতিক-নয়াই অসি ৱাংলেন খরদদি লৌথোকপীদুনা নচা খুইয়োই তোম্পোক্লা লংজবদা লসিং লৈরাংগী মফোলগুম ইয়াং য়াংহনবীদুনা খোইয়ুম লাই পাখঙশিংনা লংনরিবা অসিদগী হেন্না শান্না লংজবা ঙম্বা পীনবিয়ুকো তেংবানবগী মপু' হায়দুনা খুরুমজখি। নোংমোইনু অহোংবীনা লাই খুরুমজরিবসি কোরৌ নোংদোন থক্তা অতিংকোক মপু থৱায় য়াইবিরেন শিদবনা উবিরদুনা খুয়োইনা লংগদৌরিবা নুংলেন অদুদগী চীংঙুগী মতীক ময়াই অদু মীৎকুপ খরা খুইয়োইনা নুং অদু লংবা লোইদ্রি ফাওবা লৌথোকপীরে।

চীংঙুগী মতীক ময়াই অদু লৌথোকপীরবনিনা নুং অদু লসিংগী মফোনগুম্না ইয়াং য়াংলেদো। খুইয়োইনা য়াংলবা নুং অদু খূৎপাই চেৎনা পায়রগা মতীং ফুদোক্তুনা লৈজবি থাদুনা লংলক্লে। লাইগী নোংমদগী খুইয়োই তোম্পোক্লা লংলক্লিবা নুং অদুনা খোইয়ুমলাই পাখঙশিংনা লংনরিবা অদুদগী য়াম্না হেন্না শান্না লংলেদো। খুইয়োই তোম্পোক্লা য়াম্না হেন্না শান্না লংলকপা অদুদদি নোংমোইনু অহোংবী হরাওবগী পনখৈ লৈখিদ্রে। হরাওবনা মথুম-মরাং হৌখিবদগী নোংমোইনু অহোংবী মতাশিংগী মফমদা ৱা হায়জবা ফাওবা নিংশা থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা লৈয়েং লৈফাই চৎতুনা ময়েক শেংনা হায়বা ঙমখিদে।

মতাং অসিদা শোৱারেন্না খোইয়ুম লাইয়ামশিংগী মমাঙদা থোল্লক্তুনা হায়রকখি, 'খোইয়ুম লাইয়ামসা হৌজিক্তি নুংলেন অসিবু লংনবদা খুইয়োই তোম্পোক্লা ইহেন হেল্লেদো। মরম অসিনা চীংঙু ঐগী ইমোম নোংমোইনু অহোংবী অসি খুইয়োই তোম্পোক্কী মফমদা থাজরগেকো' হায়খি। খোইয়ুম লাইয়ামশিংনসু য়ানরদুনা নোংমোইনু অহোংবীবু চীংঙু নোংথৌ শোৱারেন্না খুইয়োই তোম্পোক্কী মফমদা অওং অউন চাউনা তন্থীদুনা লুহোংখি। লুহোংবা নুমীৎ অসিদা নোংমোইনু অহোংবীনা শিংঙেল ওইনম্বা লৈ অসিবু হেক্লুরগা পরেং লেংদুনা লৈরাং ঙক্কোই শেমদুনা খুইয়োই তোম্পোক্কী মফমদা হুকখি। মরম অসিদগী নোংমোইনু অহোংবীনা শিংঙেল ওইনম্বা লৈ কুন্দো লৈরাংবু হেক্লুগা লৈরাং পরেং লেংদুনা খুইয়োই তোম্পোক্কী ঙকশমদা হুকখিবা অসিদগী মতৌ তমদুনা ঙসি ফাওবদা শাবি শানৌ ওইরিবা মৈতৈ ঐখোয়গী লুহোংবদা শিংঙেল ওইনম্বা লৈ কুন্দো লৈরাং অসি শীজিন্নখিবনি।